# ৫শুবা থোংজু কপ্পা এস দব্লিউ সি খোঙমননা মৈরা বাসিখোঙবু ৬–০দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ঃ

থোংজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দ খোঙমনদা চথরক্লিবা ৫শুবা থোংজু কপ ২০১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী গ্রুপ লীগ মেটচশিং ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা হোম টিম ওইরিবা এস দব্লিউ সি খোঙমননা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা গ্রুপ এ গী ৱিন্নর অমদি এ এস এ শিংজমৈনা পোইন্ট ৬ ফঙদুনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

গ্রুপ বি গী ওইনা এমএমসি মোংখাম লম্বীনা ৱিন্নর অমদি ৱিলকো কোংবা বজারনা অনীশুবা মফম কনখ্রে।

অদুগা এনৱাইটিঐচসি ওক্তম চুথেক অমদি আর এস সি থোংজু ৱাইখোম খোঙনাং অনীনা গ্রুপ সি অমদি দি গী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ এ গী অরোইবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু এস দব্লিউ সি খোঙমননা মৈরা বাসিখোঙবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৬–০দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবা হেক হৌরকপদগী এস দব্লিউ সি গী শান্নরোইশিংনা লাকচনা শান্নখি। শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা সিঐচ সুসিলনা য়ুম্বু টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। অনীশুবা হাল্ফকী ৩৮শুবা মিনটতা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

শান্নরোই অহুম এস মোমো, এস প্রেমজিৎ অমদি এস প্রদিপকুমারনা মথংশিংনা শান্নবগী ১৫, ২০ অমদি ৩৫ শুবা মতমদা গোল অমমম হাপচিন্দুনা য়াম্না লাকচনা মৈরা বাসিখোঙবু ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাকপা টিমগী এ সাউলিনবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ এস এ শিংজমৈনা ৱাইবিও কোংবা মখা নানদৈবম লৈকায়বু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু এ রোবিননা ৩ অমদি কে ঐচ অরুনকুমারনা অহানবা হাল্ফকী ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ১ চনখি।

রোবিনগী অহানবা গোল শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোলশিং অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী ৩১ অমদি ৫০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ সি গী অরোইবা মেটচতা এনৱাইটিঐচসি ওক্তম চুথেকনা বিপিৱাইসি খোঙমন বু ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

ওক্তম চুথেক্কী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু দুং দুংনা অনীশুবা হাল্ফকী ৩৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ দি গী মেটচ অমদা এসইৱাইও খেক্কি লৈকায়না ওরিয়েন্টেল ক্লব খোঙমন মংজিলবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এসইৱাইওগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সুমেস কান্ত, বিশ্বনাট অমদি পুর্ন চন্দ্রনা চনবা ঙমখি। অদুগা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা আর কে রোবিননা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নরগনি। অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱিলকো অমদি এএসএ অনীনা নুংথিল পুং ২ দা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ বিপিৱাইসি অমদি এসইৱাইও অনীনা নুংথিল পুং ৩.৩০ দা থেংনরগনি।



# ৮ মেন ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ সঞ্জয়গী হেটট্রিকনা য়াদা কাংশোইবী মপাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ঃ

তৌবুল য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা তৌবুল মমাং প্লে গ্রাউন্দা চথরক্লিবা ৫শুবা থৌদাম কুমার মেমোরিয়েল ৮ মেন ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এ গী মেটচ অমদা য়াদা কাংশোইবি মপালনা য়ু এফসি উচিৱাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দি গী মেটচ অমদা ফুটবোল ক্লব তাইদা–এ তৌবুলনা লনচেন্বী এফসি তৌবুংখোকপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

য়াদা অমদি য়ুএফসি অনীনা শান্নখিবা মেটচতা য়াদাগী সঞ্জয়না গোল ৩ স্কোর তৌবা ঙমখি। অদুগা শান্নবগী অহানবা মিনটতা য়াদাগী অবুংমচানা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

সঞ্জয়গী অহানবা গোল শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা চনখি। গোল চনখিবগী মতম ইকান কান্নদনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা য়ুএফসিবু ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দি গী মেটচ অমদা তাইদা এ তৌবুলনা লনচেন্বী এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

তাইদা এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জয়চন্দ্র অমদি ইমরাননা শান্নবগী ২১ অমদি ৪৭ শুবা মতমদা চনবা ঙমখি।

অদুগা লনচেন্বী এফসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মায় পাকপা টিমগী রধাকান্তনা আউন গোল অমা শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা চনখিবগা লোয়ননা ১–২ দা তৌবুলগী মখুৎতা মায়থিখি।



# রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ এনএলৱাইসি অমদি য়ুনাইটেদ চিকিম ফেদরেসন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ঃ

লমকা পব্লিক গ্রাউন্দা চথরক্লিবা রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাত্তুনা এলএলৱাইসি অমদি য়ুনাইটেদ চিকিম ফেদরেসন ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এনএলৱাইসি না অসিজোলনেং এফসিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু লাইশ্রম সুন্দর অমদি পুখ্রম্বম অনন্দ অনীনা চনবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর মেটচ অমদা য়ুসিএফনা বুংমুয়েল ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু থাংজয়লিয়াননা চনবা ঙমখি।



# শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুম্বু এপিয়ুসিও –এনা ৱাইএফসি য়াম্বেমবু ২–১দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ঃ

এপিয়ুসিও পোইরৌখোংজিননা শীন্দুনা চথরক্লিবা ৬শুবা টিঐচ শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু এপিয়ুসিও–এ পোইরৌখোংজিননা ৱাইএফসি য়াম্বেমবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতমদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফকী ৪০ শুবা মিনটতা ৱাইএফসিগী এমদি অলামনা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা অমরজিৎনা গোল অমা চন্দুনা নাকল অনীমক্না গোল ১–১ দা লৈনখি।

মখা তানা য়ুম্বু টিমগী প্রিকান্ত না শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা গোল ১ হাপচিন্দুনা ৱাইএফসি য়াম্বেমবু ২–১ দা মায়থিবা পীখি।





মালেমদা মণিপুরনা পোলো খুদোল তৌই হায়না চাওথোকচরবসু, পোলোবু চাওখৎনবা কন্না হোৎনরবসু ঙসি ফাওবা য়েংশিনবীনবা কনা লৈতবগুম পোলোবু থৱায় হাপ্পীরিবা পোনিশিংদি সজিক চাফম লৈতবনা কৈথেলগী লম্বী মতাইদা ফত্ত–হাওদি চাদুনা ইমা লৈবাক্কী ইজৎ ঙাক্লি ।। (মফম ঃ নাগামাপাল ফৌগৈ শঙবম লৈকায়)

# ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা টি ২০ সেরিজগী ২শুবা মেটচতা আফঘানিষ্টাননা বাংলাদেশপু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখ্রে

উত্তরখান্দ, মে ৫ঃ

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা টি–২০ সেরিজকী অনিশুবা মেটচ উত্তরখান্দ দা লৈবা রাজিব গান্ধি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা আফঘানিষ্টান অমদি বাংলাদেশ টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা আফঘানিষ্টাননা বাংলাদেশপু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা বাংলাদেশনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখিবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩৪ লৌবা ঙমখি।

বাংলাদেশকী রনশিং অদু লিতোন দাসনা বোল ৩ দা রন ১, তামিম ইগবলনা বোল ৪৮তা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪৩, সবির রহমননা বোল ৯ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৩, মুসফিগর রহিম (ৱিকেট কিপর) না বোল ১৮ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ২২, মাহমুদুলহ না বোল ৮ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৪, সাকিব অল সহন (কেপ্টেন) না বোল ৭ তা রন ৩, সৌমিয়া হোসেননা বোল ১ দা রন ০, অবু হিদর রোনিনা বোল ১৪ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ২১ অমদি নাজমুল ইস্লামনা বোল ৩দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৬ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা আফঘানিষ্টানগী বোল্লর মুজিব অর রহমন না ওভর ৪ দা রন ১৫, সাপুর জাদ্রাননা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪২, মোহমদ নাবিনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৯, কারিম জানাটনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪০ অমদি রসিদ খাননা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ১২ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা আফঘানিষ্টাননা ওভর ১৮.৫ তা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৩৫ লৌদুনা বাংলাদেশপু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা আফঘানিষ্টানগী বেটচমেন সেনৱারিনা বোল ৪১ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈদুনা রন ৪৯ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন ওইখি। সেরিজ অসিগী অহুমশুবা মেটচ থা অসিগী ৭তা শান্নরগনি।



# ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৫ঃ

হেদ ক্বার্টর আইজিআর সাউথকী মখাদা ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসকী ককচিং বাট্টলিয়নগী সলুক পোর্ষ্টস অমদি চাকপী কারোং এরিয়া স্পোর্টস এসোসিয়েসন ফুটবোল টিমগা লোয়ননা মরূপ মপাংশিংগী ওইবা ফুটবোল মেটচ অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাকপী কারোংদা পাঙথোকখ্রে হায়না আইজিআর সাউথকী পি আর ও না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙল্লক্লি।

শান্নখিবা মেটচ অদু লমদম অদোমগী নহাশিংবু হকচাং ফানা থম্মবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com